
# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, OCTOBER 26, 2018 PAGE 7



*ক্রিকেটকী ফোর্মেট অহুমক্তগী পোত্থারগনি তৌইগুম্বসুং ফ্রেন্সাইজ টি-২০ ক্রিকেটতদি শান্নখিগনি ফোঙদোকখ্রবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ওল রাউন্দ দ্বাইন ব্রাবো*

*সিঙ্গাপোরদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী হ্বাইট গ্রুপকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা*

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮-১৯*

## নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি অমসুং জমসেদপুর ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে



*গুৱাহাটি, ওক্টোবর ২৫ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী এঠলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি অমসুং জমসেদপুর পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মিনট ১৫ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা য়ুম্থু টিম ওইখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা বার্থোলোমিয়ু ওগবেচেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোই মিস্লেভ কোমোরস্কি চৎন-পত্থাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবগী মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা এনই য়ুদাইটেদকী শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোই অমা ৱাংথপগী খুদোং চাবা লৌদুনা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ৪ লৈরগা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফারুখ চৌধারিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নখি। মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি অমসুং জমসেদপুর পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি দ্রো চৎখ্রবসু পুন্না পোইন্ট ৮ ফংলগা অহানবা পোজিসনদা লৈরম্বা এফসি গোৱাবু ইম্থরল্লগা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

## ইন্দিয়ানা অহানবা সেমি ফাইনেলদা জপানগা অদুগা ২শুবা সেমি ফাইনেলদনা পাকিস্তান অমসুং মালেসিয়া থেংনরগনি



*মুস্কাট, ওক্টোবর ২৫ঃ*

ওমাননা য়ুম্থু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং মুস্কাটতা চত্থরিবা মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিনগী মঙাশুবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা জপানগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই হর্মনপ্রিত সিংহনা হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা হর্মনপ্রিত সিংহনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই গুরজান্ট সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা লি সিয়ুংইলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২-১ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীমক মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা হর্মনপ্রিত সিংহনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৩-১ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট অমা ৱাংলিঙৈদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা হর্মনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইদুনা পুলগী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেলদা জপানগা শান্নরগনি।

মেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপান অমসুং পাকিস্তান পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল জপানগী শান্নরোই কিটাজটোনা ১২শুবা মিনটতা চনখি। পাকিস্তানগী ইক্কেলাইজর অদুনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা মুবাসর আলিনা চনবা ঙমখিবনি।

## সাইনা অমসুং কিদম্বি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*পেরিস, ওক্টোবর ২৫ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চত্থরিবা য়ুএস দোলর ৭৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বি শ্রিকান্থ নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱালনা মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু গেম অহুম চঙনা শান্নখিবা মেটচ অমদা ১০-২১, ২১-১৪, ২১-১৭ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপেগী টাই ঝু য়িংগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী কিদম্বি শ্রিকান্থনা সাউথ কোরিয়াগী লি দোং কিয়ুনবু ১২-২১, ২১-১৬, ২১-১৮ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

## ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

## কেএনএমএম রাইদিং স্কুল টিম (বি) অমদি শমুরৌ পোলো ক্লব মায় পাখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী টিম ৩১না শরুক য়াদুনা ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কেএনএমএম রাইদিং স্কুল (বি) না তেন্থা পোলো ক্লবপু, শমুরৌ পোলো ক্লবনা কংলৈপাক পোলো ক্লবপু মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা কেএনএমএম রাইদিং স্কুল (বি) না তেন্থা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭-৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কেএনএমএম রাইদিং স্কুল (বি) গী পাঞ্জলশিং অদু-অহানবা চক্করদা কে প্রেমকুমার, এম মোহেন অমদি সিঐচ অজিৎ সিংহ না পাঞ্জল অমমম চনখি। অনীশুবা চক্করদা সিঐচ অজিৎ সিংহ না পাঞ্জল অহুম অমদি অহুমশুবা চক্করদা কে প্রেমকুমারনা পাঞ্জল অমা চনখি।

মায়থিহৌরবা তেন্থা পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা চক্করদা এম মোচা সিংহ না অমা, অনীশুবা চক্করদা বি হেরোজিৎ শর্ম্মানা অমা অহুমশুবা চক্করদা এম মোচানা সিংহ না অমা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা শমুরৌ পোলো ক্লবনা কংলৈপাক পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা শমুরৌ পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা ও পাইখোম্বা খুমননা পাঞ্জল অনী, অনীশুবা চক্কর অমদি মঙাশুবা চক্করদা এ কে ইবোমচা মৈতৈনা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

## চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা অমসুং জর্মনিগী ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দ মায় পাকখ্রে, পিএসজি অমসুং নাপোলি দ্রো চৎখ্রে



*বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা ইন্টরগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

*বার্সেলোনা। বর্লিন, ওক্টোবর ২৫ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চত্থরিবা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগতা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা অমসুং জর্মনিগী ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমন্দ মায় পাকখ্রে, ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং ইটালিগী ক্লব নাপোলি পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী লীগ মেটচ অমদা স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনানা ইটালিগী ক্লব ইন্টরবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

বার্সেলোনা অমসুং ইন্টরনা শান্নখিবা মেটচ হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রাফিনহানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা ইন্টরগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা শান্নবা হৌরকখি। মখোয়না পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জোর্দি অলবানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মায় পাকখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী মেটচ অমদা জর্মনিগী ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা স্পেনগী ক্লব এঠলেটিকো মাদ্রিদপু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

বোরুশিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা এজেল ৱিটসেলনা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী শান্নরোই রাফেল গুইরেরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

৮৩শুবা মিনটতা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা জোদোন সাঞ্চোনা পাঞ্জল অম চন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থারবা মতুং ৮৯শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই রাফেল গুইরেরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু জর্মনিগী ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দনা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদপু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'সি' গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং ইটালিগী ক্লব নাপোলি পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল নাপোলিগী শান্নরোই লোরেঞ্জোনা ২৯শুবা মিনটতা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ১-০ দা হেল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই মারিও রুইনা শোয়রবদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা টিম অনীমক ১-১ দা মান্নখি। শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই ড্রাইজ মার্টেন্সনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা পিএসজিগী শান্নরোই এঞ্জেল দি মারিয়ানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী মেটচ অমদা পোর্টুগালগী ক্লব এফসি পোর্টোনা রুশিয়াগী ক্লব লোকোমোটিভ মোস্কোবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী লীগ মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলনা সর্ভিয়াগী ক্লব এফকে করভেনাবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি।

## ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ২০১৮

## টিৱাইপিএ সোরা অমদি য়ুবিএসএ মন্তক মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাইপিও সোরা অমদি টিৱাইপিএ সোরা টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা টিৱাইপিএ সোরানা ৱাইপিও সোরাবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা টিৱাইপিএ সোরাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অলাম খাননা মেটচকী ৬০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা ৱাইটিপিএগী শান্নরোই নুনাবনা মেটচকী ১৮ শুবা মিনট অমদি ৱাইপিওগী শান্নরোই দৱাদনা মেটচকী ৫৩ শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শন্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা য়ুবিএসএ মন্তক অমদি কেপিএসসি ককচিং টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা য়ুবিএসএ মন্তকনা কেপিএসসি ককচিংবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা য়ুবিএসএ মন্তক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু রোলেননা মেটচকী ৫০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

## দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসতা কেরোলিনা প্লিজকোভা অমসুং এলিনা স্বিটোলিনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*সিঙ্গাপোর সিটি, ওক্টোবর ২৫ঃ*

সিঙ্গাপোরদা চত্থরিবা দব্লিয়ুটিএ ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা হ্বাইট গ্রুপকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্লুনা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা অমসুং য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা হ্বাইট গ্রুপকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ৪শুবা সিদেদ অতোপ্পা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই পেত্রা কিটোভাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

হ্বাইট গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকীবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৫-৭, ৭-৫, ৬-৩ দা থোইরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

দবলস ইলিমিনেসনগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রেজকিকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভানা য়ুএসকী নিকোল মেলিসন অমসুং জেক রিপব্লিক্কী ক্বেটা পেস্কেবু ৬-১, ৬-৪ দা থোইরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 450/SDC/B/IE of 2018

Ningthoujam Sanjit Singh S/o (L) Ningthoujam Rajgopal Singh of Chajing

Petitioner

-Vs-

Ningthoujam Rajgopal Singh S/o (L) Jati Singh of Chajing

Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 25th Oct. 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮-কিয়ামগৈ পট্টা নং ২১১ অনৌবা দাগ নং ১৫৮৬, ১৫৮৯ & ১৫৯৩ মোট এরিয়া ০.০৬ + ০.৫৭ + ০.৫০ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার নিংথৌজম রাজগোপাল সিংহ পীং জাতি সিংহ সাং চজিংদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্লুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

*SL/Bill (R) B/26*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 449/SDC/B/IE of 2018

Wangkhem Premabati Devi W/o (L) W. Shamu Singh of Konjeng Leikai

Petitioner

-Vs-

Wangkhem Shamu Singh S/o (L) Madhu Singh of Konjeng Leikai

Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 25th Oct. 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮-কিয়ামগৈ পট্টা নং ৮১ অনৌবা দাগ নং ১৩৪০ মোট এরিয়া ০.৬৯ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার ৱাংখেম শামু সিংহ পীং মধু সিংহ সাং কোনজেং লৈকাইদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্লুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

*SL/Bill (R)C/26*

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 448/SDC/B/IE of 2018

1) Laishram Ibotombi Singh S/o (L) Tomba Singh of Thongju
2) -do-Memthaba Devi W/o L. Ibotombi Singh of Thongju

Petitioners

-Vs-

Laishram Tomba Singh S/o (L) Anganghal Singh of Thongju

Pattadar

**NOTICE**

Bashikhong, the 25th Oct. 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৬৮-কিয়ামগৈ পট্টা নং ৫৪৬ অনৌবা দাগ নং ১৫২৫ & ১৫২৬ মোট এরিয়া ০.১৭ + ০.৫১ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার লাইশ্রম তোম্বা সিংহ পীং অঙাংহল সিংহ সাং থোংজুদা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নামা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোংখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্লুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপটি (Objection) অমত্তা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East

*SL/Bill (R) A/26*